ম্যান্মার পুলিসনা রবর বুলেট, টিয়ার গ্যাস শীজিন্নদুনা ইথনিক মাইনোরিটিগী প্রোটেষ্টরশিং তানখায়খ্রে

য়াঙ্গোন, ফেব্রুৱারী ১৩(এজেন্সি): ম্যান্মারগী নীংতম্বগী হিরো জেনরেল ওং সানগী মীতম খিনবগী মায়োক্তা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা প্রোটেস্টতা শরুক য়াখিবা কারেন্নি ইথনিক মাইনোরিটিগী মীওইশিং তান্থোক্লবা হোৎনবদা পুলিসনা রবর বুরেট, টিয়ার গ্যাস অমসুং ৱাটর কেন্নন শীজিন্নখি হায়না পুলিস অমসুং পোটেস্ট অদুগী লিদরনা ফোঙদোক্লি।

ম্যান্মারগী নীংতম্বগী হিরো অমসুং লৈবাক অদুগী লুচিংবী ওং সান সুচিগী অপোকপা জেনরেল ওং সানগী মীতম য়াঙ্গোনগী লোইকাউদা খিন্নবগী ৱারেপ কারেন্নি কম্যুনিটিনা য়াখিদবগা লোয়ননা কম্যুনিটি অসিগী নহারোলশিংনা খোঙথাং অদুগী মায়োক্তা প্রোটেস্ট তৌখিবনি।

ওর্গনাইজরশিংনা হায়, কারেন্নি হায়নসু খঙনবা নোংপোক থংবা চীংগী স্টেট কায়াহগী কেপিটেল লোইকাউদা য়ুনিয়ন দেগা মরী লৈনবা ছুটি নুমিত্তা ওথোরিটিশিংনা পার্মিসন পীদ্রবসু য়ামদ্রবদা মীওই ৩,০০০ লোম পুনখি।

থা অসিদা লোইকাউদা জেনরেল অদুনা শগোলদা তোংবগী সনানা শাবা মীতম অমা মাইখুম হাংদোকখিবদগী কুইনা উরুদ্রবা প্রোটেস্টশিং অমুক হন্না পাঙথোক্লরকখি অমসুং লোনা য়াদবা মওংদা পুনবা, ইরাং থোকহনবা অমসুং মীংচৎ থিহনবগী মরালশিংদা মীওই ৫৪ ফাখি।

জেনরেল অদুগী মীতমদুমক ঐখোয়না য়ানিংদবা নৎতে। ঐখোয়না দিমান্দ তৌরিবদি মহাক্না শকখিবা ৱাশকশিং হান্না থবক্তা ওন্থোকউ হায়বসিনি হায়না প্রোটেস্ট অদুদা শরুক য়াখিবা কারেন্নি স্টেট য়ুথ ফোর্সকী লুচিংবা খুন থোমাসনা ফোঙদোকখি।

ম্যান্মারদা লৈবা য়ু এনগী স্পেসল রাপোর্টর ওন হ্যুমেন রাইটস য়াঙহীলীনা প্রোটেস্ট অদুদা পুলিসনা চথখিবা তমথীরবা থৌওং অদুবু কন্দেম তৌখি। মীওই পুম্নমক্কী ইংনা চীক্লা পুঞ্জবগী অমসুং মখোয়গা মরী লৈনবা ইশ্যুশিংগী মতাংদা মখোয়গী মোতশিং ফোঙদোকচবা য়াবগী হকশিং ম্যান্মার গভর্নমেন্টনা ইকাই খুম্নগদবনি হায়না জিনেভাদা লীগী স্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

ঈংনা চীক্লা প্রোটেস্ট তৌজবশিংগী মায়োক্তা চানদবা ফোর্স শীজিন্নবা হায়বসি য়ানিঙাই ওইদে। পুসিলনা মী ফাবা লেপকদবনি হায়না লীনা মখা তাখি।

ম্যান্মারগী লুচিংবী ওং সান সু চিগী অপোকপা ওং সাননা কুমজা ১৯৪৮ কী ফেব্রুৱারিদা ইথনিক গ্রুপশিংগী মরক্তা পেক্ট অমা পুরকপা মরু ওইবা থৌদাং লৌখি। নুমিৎ অসিবু নীংশিংদুনা এন্যুএল হোলিদেগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। তৌইগুম্বসুং চহীদুমক্তা মহাকপু হাৎখিবদগী য়ান্নৱারোল অদু অমুক্তা থবক্তা ওন্থোক্ত্রি হায়না মাইনোরিটিশিংনা ফোঙদোক্লি।

কুমজা ২০১৬ তা পৱার হেক পায়বগা সু চিনা মহাক্না খ্বাইদগী মরু ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা থবক্তি খুৎলায় পায়বা ইথনিক গ্রুপশিংগা পিছ লিংবনি। তৌইগুম্বসুং থবক্তু পাঙথোকপা প্রোগ্রেস তপ্না অমসুং মাইনোরিটিগী এরিয়াশিংদা মহাক্কী পার্টিদা পেন্নরক্তবগী ফিভমদা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা অচৌবা শিংনবা অমা ওইরি।

লোমেকরশিংনা মেগী দিল নৎত্রগা ব্রেক্সিটশাংনা থীন্থবগী মরক্তা খনগদবনি

লন্দন, ফেব্রুৱারী ১৩(এজেন্সি): বৃটিশ লোমেকরশিংনা হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টর তেরেসা মেগী ব্রেক্সিট দিল নৎত্রগা বৃটেননা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকপগী মতম হান্না লেপখিবা মার্চ ২৯ দগী শাংদোকপগী মরক্তা অমা খনগদবনি হায়না মেগী ব্রেক্সিট নিগোসিএটর ওলৈ রোবিন্সনা ব্রসেলজগী বার অমদা ফোঙদোকখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর মেনা বৃটিশ পার্লিয়ামেন্টপু ব্রেক্সিট দিল অমা এপ্রুভ তৌহনবা ঙমদ্রবদি মহাক্না ব্রেক্সিট থিন্থহনগদ্রা নৎত্রগা মালেমগী মঙাশুবা খ্বাইদগী চাওবা ইকনোমি অদুবু দিল য়াওদনা য়ুনিয়ন অদু থাদোক্তুনা মথোং মরম খঙদবা ফিভম অমদা লাকহনগদ্রা হায়বদু লেপকন্দবনি।

মেনা ঈ য়ুবু হৌখিবা নবেম্বরদা য়ানখিবা দিভোর্স এগ্রীমেন্টদুগী মতুং ইন্না থবক তৌহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা মহাক্কী লৈবাক্না দিল য়াওরবসু য়াওদ্রবসু হান্না লেপখিবা মতমদা ঈ য়ু থাদোক্কনি হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন ফোঙদোকখ্রবনি। তৌইগুম্বসুং লোমেকরশিংনা অনৌবা ব্রেক্সিট দিল অমা য়াগদ্রা নৎত্রগা ব্রেক্সিটকী মতম হান্না লেপখিবদগী শাংনা চোন্থবা ওইনা খনগদৌরিবরা হায়বদু লেপ্নগী ফিভম লৈ হায়না ব্রসেলজকী হোটেল বার অমদা মেগী চীফ ব্রেক্সিট নিগোসিএটর রোবিবন্সনা ফোঙদোকখিবা অমা আই টি ভিগী করেস্পোন্দেন্ট অমনা তাখি।

আই টি ভিনা হায়, ঈ য়ু থাদোকপগী প্রোসেস আর্টিকল ৫০ গী মতম শাংদোরকপা য়াই হায়না রোবিন্সনা কিখি। ব্রেক্সিট সেক্রেটরি স্টেভ বার্ক্লেনা হায়া নিল-খোংনা লাংবা বার অমদা ৱারী শান্নবা তাখিবগী মতাংদা মহাক্না কম্মেন্ট পীবা পামদে। তৌইগুম্বসুং গভর্নমেন্টকী ফিরেপতি মার্চ ২৯ দা য়ুনাইটেদ কিংদমনা ঈ য়ু থাদোকপনি, তৌইগুম্বসুং দিল অমা য়াওরগা থাদোকপনা হেন্না পাম্বগী ৱাফমনি।

ব্রসেলজগী বার অমদা মেগী খ্বাইদগী সিনিয়র ওইরবা ওফিসলশিংগী মনুংদগী অমনা মহাক্কী নিগোসিএসনগী মতাংদা শোক্লিংঙাই ওইবা কম্মেন্ট পীবা অসিনা ইনভেষ্টেরশিং অমসুং মীচংশিং অনীমক্কী ৱাখল হন্থহল্লি। রোবিন্সনা হায়খি মদুদি দিভোর্স দিলগী খ্বাইদগী ৱাথোক ওইনিংঙাই ওইবা শরুক্তি য়ু কে অমসুং ঈ য়ুগী মরক্তা মতম শাংনা লল্লোন ইতিক্কী মরী থম্নবগী থোং অমা ওইনা পুথোকখিবা নোর্দর্ন আইরেলেন্দ বেকস্টোপ অসিনি।

ত্রম্পনা বোর্দর সিক্যুরিটি দিল পামদ্রি

ৱাশিংতন, ফেব্রুৱারী ১৩(এজেন্সি): য়ু এস-মেক্সিকো বোর্দরদা ৱাল চন্নবগী ফন্দ য়াওদবা দিল অমা কোংগ্রেসনেল নিগোসিএটরশিংগা য়ানখিবদু মহাক পামদে হায়না প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে। তৌইগুম্বসুং মহাক্না মদুবু খুদক্তা রিজেক্ট তৌখিদবদু রিপব্লিকানশিংনা মঙোন্দা মদুবু সপোর্ট তৌনবা তকশিল্লকপদগীনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

সাউদর্ন বোর্দরদা ৱাল অমা শাগৎপদা মতেং ওইনবা ত্রম্পনা হৌখিবা দিসেম্বরদা কোংগ্রেসতা দোল্লর বিলিয়ন ৫.৭ গী শেনফম অমা দিমান্দ তৌবদগী ফেদরেল গভর্ণমেন্টগী দিপার্টমেন্ট খরা নুমীৎ ৩৫ থবক তৌহনখিদে। তৌইগুম্বসুং বোর্দর ফেন্সিংগী দোল্লর বিলিয়ন ১.৩৭ য়াওনা নিংথৌকাবগী অহিংদা পুরকখিবা এগ্রীমেন্ট অদু মহাক্না শৌগৎকদরা হায়বগী মতাংদা হৌজিকসু মহাক্না ৱারেপ লৌদ্রি। খুদিংমকসি ওইদুনসু মহাক্না অতোপ্পা সটদাউন অমা লৈহন্নিংদে হায়নসু ফোঙদোকখি। রিপব্লিকান সিনেটর রিচার্ট সেলবিগী ৱাফম মহাক্না খন্নরি হায়না ত্রম্পনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখ্রে।

ত্রম্পকী রেল্লিদা বি বি সীগী কেমেরামেনদা এটেক তৌখিববু য়ু কেগী ফোরেন সেক্রেটরিনা কন্দেম তৌখ্রে

লন্দন, ফেব্রুৱারী ১৩(এজেন্সি): টেক্সাসকী এল পাসোদা পাঙথোকপা কেম্প্যেন রেল্লি অমদা বি বি সীগী কেমেরামেন অমদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী সপোর্টরশিংনা এটেক তৌখিবগী থৌদোক বৃটিশ ফোরেন সেক্রেটরি জেরেমি হন্টনা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা কন্দেম তৌখ্রে।

ত্রম্পনা মহাক্কী ফেনশিংবু মথুম মরাং হৌহন্দুনা কেমেরামেন ফাওবদা এটেক তৌহনবসি য়াফম থোকপ্রা হায়না স্কাই ন্যুজনা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা হংখিবদা হন্টনা হায়খি, জর্নেলিস্টশিং অমসুং কেমেরামেনশিংবু মখোয়গী মথৌ পাঙথোকচবগীদমক্তা এটেক তৌবা হায়বসি কৈদৌঙৈদেসু য়াফম থোক্তে।

নিংথৌকাবা নুমীৎতা মেক অমেরিকা গ্রেট এগেন হায়বা ৱাহৈশিং অসি থাবা কেপ অমা উপ্পা নুপা অমনা বি বি সীগী কেমেরামেন রোন স্কিন্সতা ইনখি অমসুং মদুগী মতুংদা মহাকপু অমুক চিংথোকখি হায়রি। ত্রম্পনা ফজদবা কভরেজগী চার্জগা লোয়ননা ন্যুজ মীদিয়াদা এটেক তৌবগী থৌদোক তোয়না থোকখ্রে। মহাক্না ন্যুজ আউটলেট খরদি শেমজিন শাজিনবা পাউ য়োল্লি অমসুং মীয়ামগী য়েক্লবনি হায়না ফোঙদোকখি।

ন্যু য়োর্ক টাইমসকী পব্লিসর এ জি সুলবর্জরসু অতৈগুম্না ত্রম্পকী ৱাহৈ-ৱাতাশিংনা জর্নেলিস্টশিং অসি য়ুনাইটেদ স্টেটস অমসুং মপানা অনীমক্তা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্ন রকপা য়াবগী ফীভমদা লৈহল্লে।

হৌজিক অচৌবা ইস্যু অমা লৈরে, মদুদি হৌখিবা চহী ৮ অসিদা মালেম পুম্বদা জর্নেলিষ্ট ৮০ মখোয়গী মথৌদাং পাঙথোকচবগীদমক্তা হাৎখ্রে। মসি য়াম্না নুংনাংনিঙাইনি হায়না মহাক্ন মখা তাখি। হ্বাইট হাউস ন্যুজ ফোটোগ্রাফর্স এসোসিএসন্না এটেক অদুবু কন্দেম তৌখ্রে অমসুং ত্রম্প য়াওবা থৌরমশিংদা জর্নেলিষ্টশিংবু ঙাক শেন্নবা হ্বাইট হাউস, সিক্রেট সার্ভিস অমসুং লোকেল লো ইনফোর্সমেন্টনা অহেনবা খোঙথাংশিং লৌখৎকদবনি হায়খ্রে। স্কিন্স অসিসু এসোসিএসন অসিগী মেম্বর অমনি।

চৈরকসিদা, হ্বাইট হাউসকী স্পোক্সপার্সন সারাহ সেন্দর্সকী স্টেটমেন্ট অমনা হায়খ্রে মদুদি, প্রেসকী মীওইশিং য়াওনা মীওই অমগী নৎত্রগা গ্রুপ অমগী মায়োক্তা চথবা মখল খুদিংগী ভাইঅলেন্স খুদিংমক ত্রম্পনা কন্দেম তৌই।

ত্রুপ থম্বগা মরী লৈনবা ত্রম্পকী ক্লেম সাউথ কোরিয়ানা য়াখিদ্রে

সিওল, ফেব্রুৱারী ১৩(এজেন্সি): সাউথ কোরিয়াদা লৈরিবা য়ু এসকী ত্রুপশিং মেন্টেন তৌনবা সিওলনা দোল্লর মিলিয়ন ৫০০ গী অহেনবা শেনফম অমসু পুথোকপগী ৱাফম য়ারে হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা ফোঙদোকখিবা কম্মেন্টশিং সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্সিএল ব্লু হাউসনা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমীৎতা ৱাশিংতনদা কেবিনেট মীটিং অমদা ত্রম্পনা হায়খি, সাউথ কোরিয়াদা থল্লিবা অমেরিকান ত্রুপ ২৮,৫০০ রোমগী চাদিং স্যেরিংগী মতাংদা য়ানখিবগী মতুংইন্না সিওলনা অহেনবা দোল্লর মিলিয়ন ৫০০ পীবগী ৱাফম য়ারে।

দোল্লর বিলিয়ন ৫ চঙবা ঙাক-শেনগী থবক্কীদমক মখোয়না দোল্লর মিলিয়ন ৫০০ রোম পীখি। ঐখোয়না মদুদগী হেন্না তৌবা চঙলিবনি। অদুনা মখোয়না অহেনবা দোল্লর মিলিয়ন ৫০০ অমসু পীরগে হায়রে হায়না ত্রম্পনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা দিসেম্বরদা য়ানদবা ৱাফম খরনা মরম ওইরগা মতম লোইখ্রবা মমাঙগী এগ্রীমেন্ট অদুগী মখাদা সাউথ কোরিয়ানা কুমজা ২০১৪ দা ত্রুপশিংগী মেন্টেনেন্সকীদমক্তা দোল্লর মিলিয়ন ৮৫৭ পুথোকখিবনি।

নোংমাইজিং নুমীৎতা সাউথ কোরিয়াগী ওফিসলশিং অমসুং য়ু এসকী ওফিসলশিংগী মরক্তা সাইন তৌনখিবা এগ্রীমেন্ট অমগী মতুংইন্না, সিওলগী কনত্রিব্যুসন দোল্লর মিলিয়ন ৯২৭ য়ৌহন্দুনা দোল্লর মিলিয়ন ৭০.৩ রোম হেনগৎলগনি।

সিওলদা প্রসিদেন্সিএল ব্লু হাউসকী স্পোক্সমেন অমা ওইরিবা কিম য়ুই-কিওমনা ত্রম্পকী দোল্লর মিলিয়ন মঙাগী শেনফম অদু হান্না নাকল অনীনা য়ানখিবা নত্তে হায়না ফোঙদোকখি।

সাউথ কোরিয়ন ওফিসলশিংগী মতুংইন্না, নিগোসিএসন মনুংদুদা ৱাশিংতননা সাউথ কোরিয়াদা সিওলনা কুমজা ২০১৮ দা পীখিবা কনত্রিব্যুসন অদুদগী চাদা ৫০ হেনগৎহন্নবা দিমান্দ তৌখি। অনৌবা এগ্রীমেন্ট অদুদা চাদা ৮ লোম হেনগৎপগী ৱাফম য়াওরি। নোংমাইজিং নুমীৎতা সাইন তৌনখিবা এগ্রীমেন্ট অদু সাউথ কোরিয়াগী পার্লিয়ামেন্টনা এপ্রুভ তৌগদবনি। কিমনা মদু চহী অমা চৎনগদবনি, অদুবু নাকল অনীনা য়ানরবদি অতোপ্পা হী অমগসু শাংদোকহনবা য়াগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ত্রম্পনা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা কেবিনেট মীফমদা হায়খি মদুদি, অমেরিকাগা সাউথ কোরিয়াগা লৈনবা মরী য়াম্না ফৈ, তৌইগুম্বসুং মীচঙগী ঙাক-শেনদা য়ুনাইটেদ স্টেটসকী য়াল্লবা শেনফম মাঙলি।

স্পেনগী গভর্ণমেন্ট বজেট ভোটতা মায়থীরে, মীখল ঙনখৎপা য়ানা লৈরে

মাদ্রিদ, ফেব্রুৱারী ১৩(এজেন্সি): স্পেনগী পার্লিয়ামেন্টনা গভর্ণমেন্টকী ২০১৯ গী দ্রাফ্ট বজেট য়ুমশকৈশা নুমীৎতা রিজেক্ট তৌখ্রে। খোঙথাং অদুনা লৈবাক অদুদা নেসনল মীখল ঙনখৎনা পাঙথোকপা য়াবগী ফীভম লাকহল্লে হায়রি।

গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর পেদ্রো সানচেজগী সোসিএলিষ্ট পার্টিগী ছোর্সশিংনা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা রোইটর্সতা ফোঙদোকখিবদা, বজেটকী মতাংদা মায়থীবা হায়বসি মীখল ঙনখৎনা পাঙথোক্নবগী মরুওইবা মরম অমনি। মীখল ঙনখৎপদা খন্নরিবা তারিখশিংদি এপ্রিল ১৪ নৎত্রগা এপ্রিল ২৮ নি। অতৈ তারিখশিংসু খন্নৈ।

সোসিএলিষ্টশিংনা পার্লিয়ামেন্টদা অপূনবা সিটশিংগী শরুক মরি থোকপগী অমা হেন্না পায়রি অমসুং বজেট প্রপোজেলশিং পাস তৌবদা কাতালান য়াওনা অপীকপা রিজনল পার্টিশিংগী সপোর্ট তঙাইফদে।

তৌইগুম্বসুং অৱাং নোংপোক লমদম কাতালোনিয়াগীদমক গভর্ণমেন্টনা নিংতম্বগী রেফরেন্দম অমা খন্নসি হায়বা য়াদবদগী নুংঙাইত্রবা পোক্লবা কাতালান পার্টিশিংনা মদুগী মায়োক্তা ভোট পীখি। মখোয়দা নত্তনা সেন্টর-রাইট অমসুং কঞ্জার্ভেটিভশিংসু মদুগী মায়োক্তা ভোট পীখি।

পুন্না লোমেকর ১৯১ না দ্রাফ্ট বজেট অদুগী মায়োক্তা ভোট পীখি। এম পি ১৫৮ না মদুবু শৌগৎখি অমদি ভোট লৌনবা য়াওখিদে। পোলিটিকেল ছোর্সশিংনা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা ফোঙদোকখিবদা, করম্বা মতমদা অঙনবা মীখল লাউথোরক্কদগে হায়বা শেংনা খঙখিদে।

ওফিস ওফ দ কম্মান্দেন্ট, ২৭ শুবা বট্টালিয়ন
ইন্দো-টিবেতান বোর্দর পুলিস ফোর্স
এম ঐচ এ/গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
পি.ও. নূরানাদ সেনেটোরিয়ম, দিষ্ট্রিক্ট : অলাপুজা, কেরেলা

খঙহঞ্জবা

২৭ শুবা বট্টালিয়ন, আই টি বি পুলিসকী রেজিমেন্টেল নং ১৪০২৭০৪০৯ কন্সটেবল (জি দি) লুনখোমাঙ তৌথাং, অপোকপা এস ঐচ ঙুলখোজাং তৌথাং, ভিলেজ : মাখাও, পি.ও. সুগনু, বি. পি. ও: এম. বোংমোল, দিষ্ট্রিক্ট : চুড়াচান্দপুর (মণিপুর), পিন- ৭৯৫ ১০১ দা ০৭.০৫.২০১৮ দগী ১৫.০৬.২০১৮ ফাওবা চৎনগদবা নুমীৎ ৪০ নিগী আর্ন্দ লিভ পীখি। তৌইগুম্বসুং মীওই অসিনা দ্যুটিদা অমুক রিপোর্ট তৌরকখিদে অমসুং মহাক মতিক চাবা ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা তৌগে মতাগুম এবসেন্ট ওইদুনা লৈরে। মতম শাংথদুনা মীওই অসিদা লাক্লবা খঙহল্লবসু মহাক্না ওর্দরশিং ঙাকখিদরে।

২. মহাক্না লাক্তবসিনা মরম ওইদুনা য়ুনিট অসিনা ‘কোর্ট ওফ ইনক্বারি’ অমা চখখিবগা লোয়ননা মহাকপু তারিখ ১৬.০৭.২০১৮ (এফ এন) দগী ফোর্স অসিদগী চেনখ্রবা ‘দিজার্টর’ অমনি হায়না লাউথোক্লে। মতিক চারবা ওথোরিটিগী মোততা মহাক গভর্ণমেন্ট সার্ভিসতা লৈবদা মতিক চাদ্রে হায়না লৌরে অমসুং কেস অসিদা অরোইবা ৱারেপ অমা লৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা মঙোন্দা নোটিফিকেসন অসিগী খুখাংদা মসি ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৩০ নিগী মনুংদা মখাদা সাইন তৌরিবসিদা মহাক্কী দিফেন্সকা মরী লৈনবা প্লী সবমিট তৌনবা নৎত্রগা মহাক্কী মমাঙদা মশা লাক্লবগী খুদোংচাবা অমা পীরে, নৎত্রবদি কেস অসিদা ‘দিসমিসেল’গী ৱাফম য়াওনা মশা য়াওদনা ৱারেপ লৌরগনি।

(ভিশাল অনন্দ)
কম্মান্দেন্ট
২৭শুবা বট্টালিয়ন আই টি বি পুলিস

davp/19112/11/0480/1819

ভেনিজ্যুএলাগী ওপোজিসন লিদরগা ৱারী শানখি হায়বসি শেমজিন-শাজিনবা পাউনি : চাইনা

বৈজিং, ফেব্রুৱারী ১৩(এজেন্সি): ভেনিজ্যুএলাদা চাইনানা থাদরিবা শেলয়াম ঙাক শেন্নবা চাইনিজ দিপ্লোমেটশিংনা লেটিন অমেরিকান লৈবাক অদুগী পোলিটিকেল ওপোজিসনগা ৱারী শানখি হায়বা পাউচেগী পাউ অমা শেমজিন শাজিনবা পাউনি হায়না চাইনানা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাল স্ট্রিট জর্নেলগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, ভেনিজ্যুএলাদা পায়খৎলিবা ওইল প্রোজেক্টশিং অমসুং বৈজিংনা করাকসতা তোল্লিবা দোল্লর বিলিয়ন ২০ গী শেনফম লুনা লৌরদুনা দিপ্লোমেটশিংনা প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোবু য়ু এসকী মতেংগা লোয়ননা মফমদগী চিংথুনবা হোৎনরিবা ওপোজিসন লিদর জুৱান গুৱাইদোগী মীহুৎশিংগা ৱাশিংতনদা ৱারী শানখি।

তশেংনমক পাউ অদু লাল্লি, মদু শেমজিন শাজিনবা পাউনি হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন হুৱা চুনয়িংনা পাউমীশিংদা হায়খি। হৌখিবা চহীদা মাদুরোনা মীখলদা অমুক হন্না মায় পাকখিবদু লোনা য়াদবা মওংদনি হায়রদুনা গুৱাইদোনা চয়োল অহুমগী মমাঙদা কনষ্টিট্যুসনল প্রোভিজন অমা চৎনহন্দুনা প্রসিদেন্সি পায়শিনখি।

য়ুনাইটেদ স্টেটস য়াওনা নোংচুপলোমগী লৈবাক অয়াম্বনা গুৱাইদোবু ভেনিজ্যুএলাগী লোনা য়াবা হেদ ওফ স্টেট ওইনা শকখঙখি। তৌইগুম্বসুং মাদুরোবু রসিয়া অমসুং চাইনানা মখা তানা শৌগৎপগা লোয়ননা মহাক্না মিলিটরি য়াওনা স্টেট ইনষ্টিট্যুসনশিং কন্ট্রোল তৌরি।

চাইনানা মমাঙদা লৌখিবা ফিরেপ নৌহৌননা পল্লদুনা হুৱানা হায়খি, ভেনিজ্যুএলাগী ৱাথোক অসি মরী লৈনবশিংগী মরক্তা ৱারী শানদুনা ৱারোইশিন পুরক্কদবনি।

হৌখিবা চহী ১০ মুক অসিদা ওইল-ফোর-লোন এগ্রীমেন্টকী খুথাংদা চাইনানা ভেনিজ্যুএলাদা দোল্লর বিলিয়ন ৫০ হেন্না পুথোকখি। মদুনা চাইনাগী খোঙজেল থুরবা ইকনমিগী তঙাইফদবা এনর্জি সপ্লাইজ লাকহনখি। পনবা য়াই, হৌখিবা থাদা গুৱাইদোনা ইন্টর্ভিয়ু অমদা ভেনিজ্যুএলাগী গভর্ণমেন্ট হোংবনা লৈবাক অদুগী মরুওইবা ফোরেন ক্রেদিটর অনী হায়বদি রসিয়া অমসুং চাইনাবুসু কান্নহনগনি হায়খি।

চৈরকসিদা, লৈবাক্তুদা অৱা-অনা তারবশিংগী তেংবাং পোৎলমশিং পুশিনবদা প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোনা অথিংবা থল্লিবদু থুগায়দুনা পোৎলমশিং অদু লৈবাক অদুদা শোয়দনা পুশিনগনি হায়না ভেনিজ্যুএলাগী ওপোজিসন লিদর গুৱাইদোনা করাকসতা রেল্লি অমদা ফোঙদোকখ্রে।

কেম্মরুনগী ওপোজিসন লিদরদা মিলিটরি কোর্টনা লালহৌবা অমসুং অতৈ মরালশিং শিখ্রে

দুৱালা, ফেব্রুৱারী ১৩(এজেন্সি): কেম্মরুনগী মরুওইবা ওপোজিসন লিদর মোরিস কামতো মিলিটরি কোর্ট অমনা লালহৌবা অমসুং অতৈ অরানবা থবক তরেৎকা মরী লৈননা মরাল শিখ্রে। মঙোন্দা শিরিবা মরালশিংদু শিবগী চৈরাক ফাওবা ফংনিংঙাই ওই হায়না য়ুমশকৈশা নুমীৎতা মহাক্কী লোয়রশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা ওক্টোবরদা পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্সিএল মীখলদা কামতো মায়থীখি। মীখল অদুদা অরান-অহুই কয়া তৌখি হায়না মহাক্না মরাল শিখি। মতম শাংনা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ওইরকখিবা পোল বিয়াগী মায়োক্তা রেল্লি মচা অমা শিন লাংখিবগীদমক্তা মহাকপু হৌখিবা থাগী অথেংবদা ফাখি।

রেল্লি অদু সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অশেংবা নোংমৈ মরু শীজিন্নদুনা থুগায়খি অমসুং নোংমৈ কাপ্পদা মীওই ৬ শোকখি। ভোট অদুগী মতুংদা মরুওইবা কম্মর্সিএল সিটি দুৱালা অমসুং কেপিটেল য়াউন্দে য়াওনা লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা পাঙথোকখিবা এন্টি-বিয়া প্রোটেস্টশিং সিক্যুরিটি সার্ভিসশিংনা নমথখি।

লৈবাকপোকপা নুমীৎতা কামতোগী মায়োক্তা মরাল কয়া শিখ্রিবদুনা অহেনবা দেমোন্সত্রেসনশিং লাকহনগদ্রা হায়না হংবদা মহাক্কী পার্টি অমসুং সপোর্টশিংদগী কম্মেন্ট পীরকখিদে। মিলিটরি ত্রাইব্যুনেল অদুদা ইনভেষ্টিগেটিং জজশিংনা মোরিস কামতোবু মরাল শিখি। মসি জুদিসলগী ৱাফম নত্তে, পোলিটিক্সনি হায়না মহাক্কী লোয়র ক্রিষ্টোফর নদোংনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী লোয়রশিংগী মনুংদগী ইম্মান্যুএল সিম কৌবা অতোপ্পা অমনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না মায়োক্নরিবা চার্জশিং অদুদা হোমলেন্দগী মায়োক্তা থবক তৌবা, লালহৌনবা ইনশিনবা, রিপব্লিক অদুগী প্রসিদেন্টকী মায়োক্তা অরানবা থবক থৌওংশিং চথখিবা, পব্লিক বিল্ডিংশিং অমদি পোৎচৈশিং অমাঙ-অতা থোকহনবা য়াওরি।

মান্নবা চার্জশিংগীদমক্তা মহাক্কী কেম্মরুন রেনিসন্স মুভমেন্ট (এম আর সী) গী মেম্বর ২২ সু ৱায়েল চথরি হায়না লোয়রশিংদুনা ফোঙদোকখি। মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌদোকশিংগা মরী লৈননা লৈবাক অদুদা হান্না পীরম্বা মিলিটরিগী মতেং খরা মখা তানা পীবা লেপ্নগনি হায়না য়ুনাইটেদ স্টেটসনা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং ফ্রান্সনা চয়োলদুমক্তদা কেম্মরুনগা মখা তানা দিফেন্স কোওপরেসন লৈনখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ADMISSION OPEN
ENGLISH & RHYMES COURSES
For
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/3785/12/2-13/3

DELTA Tutorials
Kwakeithel, Imphal
The Largest Trusted Coaching Centre for Sc. & Arts in Manipur
Why Delta ?
→ Seperate class for CBSE & COHSEM
→ Weekly, Monthly & Mega Test Series
→ Strictly Monitored & Cared Class Room
→ Provide Study Materials & Question analysis
Seats Limited: 40 Students only
Foundation course for
Class X & XII (Sc. & Arts)
Class Starting: 1st April, 2019
Last Date of Admission: 28th March, 2019
What after Class X Exam ?
Come & Join
Special FREE
Advance Foundation course for
Class XI (Sc. & Arts)
Class Starting: 27th March, 2019
Last Date of Admission: 18th March, 2019
Hostel / Van Service Available
HL-B/5157/29/1-28/3(Alt.)